# ‘‘চানীংমল্লসু লেক্তুনা তোকই-!’

– এল ইবোমচা –



মণিপুর চীংলোন মাপন্না কোইশিনবা, পাৎ-তুরেল-উমং-ৱামং, লম্মিৎ-তুমিৎ, লৌবুক-লম্ফাং, হৈকোল-লৈকোলনা থল্লবা, পোম্বী-চেক্লাদা ময়েংই ৱাৎতবা মহৌশাগী ফজবনা য়োল্লবা লাইনা শেম্বীরম্বা লৈবাক্নি। তাইবঙ মীওইবনা লৈতা খুন্দারকপদগী লৈমা-নিংথৌ কয়া কয়ানা মনীং মখা তন্না পাল্লকপা ফজবা ঋতু কয়ানা লৈতেংবা লমদমনি। নিংথৌরোল কয়া কয়াগী ইতিহাস মহৌশাগী ফজবা কয়াগী, শাবী-শানৌ কয়াগী নুংশি ৱারীতনা থল্লবা সনা লৈবাক মণিপুরনি। মরন্নাই শেমজবা ময়েক হীরম কয়াদা লুচিংবা মায়চৌ কয়া কয়া লৈবা লমদমনি অমদি মণিপুর ৱাংমগী মীরম মচাশিংনা কল্লক মীশৌ চংবা লমদমনি।

মহৈ-মরোংনা চুম্লবা লৌবুক লম্ফাংনা লৈতেংবা পূক্নিং হুনা ফজরবা সনা লৈবাক্নি। কংলৈপুংগী ময়োন্দা ইম্ফাল অমদি নম্বুল তুরেলনা লাইজা থন্না চেন্দুনা মপারি মমোমবু পলেমগী অমৃতগুম পীথক্লি। লৈশেমঙৈদগী লৈমা নিংথৌ য়েক সলাই তরেৎনা পাল্লকপা লমদমনি। পাম্হোইবী ইমানা কোনবা চায়োক-নায়োক ফজবী ইমা লৈবাক্নি। মহৌশাগী ফজবতনা য়োল্লবা ৱাত্ত-পাদবা লমদমনি। মণিগী লৈবাক্নি হায়দুনা মণিপুর হায়না মিংথোল্লি। চীংঙু নোংপোক পাম্হোইবীনা লৈশেম লৈঙাল্লকপা, মতিক-মঙাল চাউরবা অৱাৎ-অপা লৈত্রবা পূক্নিং হুনা নীংথিরবা মহৌশাগী ফজবনা লৈতেংবা মণিপুর সনা লৈবাক্নি খঙবদগী মীরম মচাশিংনা কল্লক খম্বন চাউবা লমদমনি।

মমাঙঙৈগী মতমদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ঙমখৈ অসিনা মহৌশাগী ওইবা ঙমখৈদু খক ওইরক্তে। পাল্লম-পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী পাঙ্গলগী মতুংইন্না মখোয়গী লোইলম পাক চাউনা শন্দোক্লম্মী। অৱাং মায়কৈদা অমুক্কসু হেন্না অসামগা মণিপুরগা অনী অসিগী লমগী ঙমখৈদি দোয়েংগা অমদি ধনশিরি তুরেল অনীগী মরক্তা লৈবা উমং অদুনা অসামগা মণিপুরগা ঙমখৈ লেপ্পখি হায়না অইবা লাইরিক কয়া কয়াদা থেংনৈ।

মণিপুর তম্পাক্তা চেল্লিবা তুরেলশিং অসি অয়াম্বনা অৱাং অমদি অৱাং নোংচুপ চীংশাংশিংদগী হৌরকপনি। তুরেলশিং অসি থোইদোক্লা চাউ-শাংবা ওইদ্রবসু চীংদগী হৌরকপা ওইবা মরম্না নোংজুথা মতমদদি ঈচেল য়াম্না কন্না অমসুং চাউনা চেল্লি। তুরেলশিং অদুদি ইম্ফাল তুরেল, থৌবাল তুরেল, ইরিল তুরেল, নম্বুল তুরেল অমদি নম্বোল তুরেলনি। ইম্ফাল তুরেল, থৌবাল তুরেল অমদি ইরিল তুরেল হায়রিবা তুরেল অহুমসিনা অৱাংগী চীংশিংদগী হৌরক্লগা মথংশিংনা লিলোং অমদি ময়াং ইম্ফালদা ইম্ফাল তুরেলদা পুল্লগা লোক্তাক পাৎকী নোংপোক্তা চেল্লি। অদুগা নম্বুল তুরেল অমসুং নম্বোল তুরেলনা অৱাং নোংচুপকী চীংদগী চেম্থরক্লগা লোক্তাক পাৎতা তাই। লোক্তাক পাৎ অসিদগী খোর্দাক কৌবা তুরেল মতেক অমা অমুক হৌই। মসিনা ইথাইগী মনাক্তা ইম্ফাল তুরেলগা পুনশিল্লগা ইম্ফাল তুরেল নৎত্রগা তুরেল অচৌবা হায়না খঙনদুনা খারোমদা শুগুনুগী মনাক্তা চেল্লি। মসিদগী চীংগী লমদমদা চেনখিদুনা অপ্পর বর্ম্মাগী টাউন কেন্দাগী মখাদা নিংথৌ তুরেলদা অমুক শম্নখি। চীংগী লমগী তুরেলশিংদি নোংজুথাগী মতমদা ঈশিং য়াম্না চাউনা চেল্লবসু ঈকং থা মতমদদি বরাক অমদি মাক্লুং তুরেল নত্তনা অতৈদি খোঙনা লানবা য়াবা তুরেল ঙাক্তনি।

মণিপুর তম্পাক্তা অচৌ পীশক খেন্নরবা পাৎ য়াম্না লৈ। মণিপুরগী নৎত্রগা নোংপোক ভারতকী খ্বাইদগী চাউরবা পাৎ লোক্তাককী পাক চাউবসি ইকং থাদা বর্গ কিলোমিটর ৬৪ রোমনি অদুগা নোংজুথাদদি বর্গ কিলোমিটর ১০৪দগী হেন্না চাউগনি। অতোপ্পা পাৎ, ইকোপ, খরুং, চরাং, পুল্লেন অমসুং ৱাইথৌনচিংবা পাৎশিং তম্পাক্কী মফম কয়াদা শন্দোক্তুনা লৈ। অদুগা মণিপুর অসি চাদা হুম্ফুনিপাল লোমদি উমংগী লমনি। উ-ৱা হৌবগী মওং অসিসু চীংদোলগী অনেম অৱাং অমদি মৌশুমী নুংশিৎ ফংবগী চাং অদু খেন্নবগী মতুংইন্না খেন্নে। লমদম অসিদা ফংবা উমংগী লন মতিক চানা লৈ। মসিদা হিমালয় ফাওবদগী হৌরগা চীন ফাওবগী মনুংদা হৌরিবা উপাল-ৱাপালগী মখল কয়া মণিপুরগী উমংদা ফংই। অমরোমদা নোংজু নুংশা, অঈং অশাগী চাং চীং লৈবাক ওইবা মরম্না অনেম অৱাংগী মতুংইন্না নোং তাবগী চাং খেন্নে। মণিপুর তম্পাক্তগী চীংগী লমদনা হেন্না নোং চুই। লমদম অসি মৌশুমীগী ঈশিং নুংশিৎ ফংই অমদি চহীগী নোং চুবগী চাং অসি সেন্টিমিটর ১৫০ রোম ওইবনা লৈবদা য়াম্না নুংঙাইবা লমদমনি। থারু-থারুবা মহৈ-মরোং খুদিংমক মহৈ য়ান্দবা য়াওদবা লমদমনি।

মপান্দগী তুমিন্না চঙলকপা মী কাঙলূপ খরা খক নত্তনা মণিপুরদা লৈরম্বা মীশিং অসি মপূংদা য়েক তরেৎ, সলাই তরেৎকী মচা মশুশিংনি। মমাঙঙৈ মতমদগী লৈরকপা মীওইশিংদি হামু-হামু ওইজরবসু অতোপ্পা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইদি অঈং-অশাগী খল মান্নবনা চাবা-থকপা হাউবা, লৈবা নুংঙাইবা অমদি লৈহাও ফরবা লমদম ওইবনা থারুবা পোৎ অমত্তা লেম্না মাঙদবনা মণিপুরদগী অমুক মরমদা হন্নীংদে। মণিপুরবু য়াম্না কল্লকই। য়েংলু য়েংলুবদা অৱাৎপা অমত্তা লৈতবা মণিপুর ওইবনা কল্লক মীশৌ চঙই। কল্লক মীশৌ চঙবা হায়ববু ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা লাঞ্জাও অসিসু অমনি। হায়বদি মণিপুরদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরিবা ম্যান্মারগী কুকিশিংনা মণিপুর কল্লকপা হেনমনবদগী থোক্লকপা লাননি। কুকিশিংনা মণিপুরগী ঈশিং নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাও কল্লকপদগী মীতৈগী লম মুল্লগা কুকিলেন্দ/কন্ত্রি শেম্নীংবগী মঙলকপা মঙ অমনা থোকহল্লকপা লাননি। অদুনদি মীগী লৈবাক্তা শৈদাংদুনা লৈশিল্লগা মপুগী লম মুল্লগা কুকিলেন্দ/কন্ত্রি শেমগনি খল্লিবা কুকিশিং অসিবু মীনি হায়বা য়ারিব্রা? শৈদাংফম পীরুবা মীতৈনা লানবা তারব্রা? হংবা য়াবা ৱাহংনি।

ঙসি মীতৈ ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ফোং-ফোং শরিবা ৱাফমদি মণিপুর কনবনি। কুকিশিংনা ফীভম শোকহল্লবা হান্নগী মপাঙ্গল কনবা মীতৈ লৈবাক্তু অমুক্কা হন্না শেমগৎপা অদুনি। শান্ন-খোৎনবা, আর্ট এন্দ কলচরদা অমদি এদ্যুকেশনদা থাক ৱাংলবা ফূরুপ খুদিংনা কল্লক্করিবা মীতৈশিং ঙসিদি কুকিশিংনা লান্দারকপদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা পূক্নিং চংনখিবদগী ফীভম য়াম্না শোকচিনখ্রে। মসিসু তৌদবা য়াদবা অমা ওইরি, মরমদি ঐগী লমদা শৈদাংবশিংনা উশিং থৌওইদবগী থবক চখ্থরকপদা য়েংদুনা লৈবা য়াদবা অমদি মীনা লাকচা খুদুম চনবা য়াদবা মীতৈশিং ওইরুবননি।

মরম অসিনা মীতৈশিংদি ইরৈবাক্কীদমক চাম্মরক শিগে, চাম্মরক পোক্কে হায়বা ৱাখল অসি পোকপদগী ঈদা তোংদা য়াওদুনা লাকচরক্লবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ‘সূ’ তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিং মূখৎলগে হায়না তেমশিংনরিবা থৌওংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাকসু মতেং পাংশিনবগুম্নসু উরি। মখোয়গা পূন্না মান্নরগা মীতৈশিং মূখৎকে হায়না হোৎনবা থৌওংনি হায়দবা ঙম্লোই। লমদা ময়েংই করিমত্তা ৱাত্ত-পাদবা, মীদা ময়েংই মীথোই মীহেনবা মীওই ঙাক্তা লৈবসিদা কুকিশিংনা কল্লক মীহৌ চাউবনি। ঙরাংদা লমদম অসিদা শৈদাংলবা কুকিশিংনা খাবৈ খারা শাদুনা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরিবা অসি মখোয় মশানা খঙনা হন্দোকপা ফৈ নৎত্রবদি মালেমদগী মখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াই। অমনা মণিপুর অসি মখোয়গী মপা মপুশিংনা থম্বীরম্বা ইঙ্খোলগুম্না মীতৈদগী মুন্নবা হোৎনরুব্রা হায়ববু ঙসিদি মখোয়গী খ্বাইদগী অশাউবী ‘শৈদাংবা’ হায়রিবা ৱাহৈ অসি হেন্নদুম ময়েক শেংলক্লে।

হৌজিক্তি কুকিশিংনা মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি নত্রগা কন্ত্রি অমা শেম্বা ঙম্বগী আশা উরক্তবদগী শিরমদাই খোঙ্গাও ওইনা কুকি-জো এম এল এ ১০ মক এম এল এ ফমদগী পোত্থানবা কুকি হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা অকনবা ৱাফম থম্লক্লি। মসিনা কুকি জোশিংনা তাল্লিবা লেজিসলেচরগী পৱার য়াওরবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসি ফংবদা হেন্না নকশিলহল্লগনি মসিনি। মসিদা মীতৈনা হায়রিবনা নহান্না কুকি-জো এম এল এ ১০ ফম থাদোকপা য়ারবনি, ইকায়বা খঙদবদগী ফম কোন্দুনা অদুমক লৈশিল্লি হায়বসিনি। হায়সু হায়বনি হৌজিক থোক্লিবা লান অসি কুকিশিংনা চীংলোন মাপন্না ইকোই কোইশিনবা মহৈ-মরোং চুম্লবা লৌবুক লম্ফাং কয়ানা লৈতেংলবা, ঈশিং নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাও ফরবা, পূক্নিং হুনা নীংথিরবা মণিপুরসি কা হেন্না কল্লকপদগী মখোয় খক্তগী ওইবা লৈবাক ওইহৌনবা মীতৈ পূম্নমক মরৈবাক মরমদম মণিপুরদগী তাম্হোকপা ঙমসু ঙম্লোইদবদা তাম্হোক্নবা হোৎনবদা থোক্লকপা লাননি। মদুদা ‘চানীংমল্লসু লেক্তুনা তোকই-!’ হায়বদু চপ চানা থোকখিবনি। ●

# অনৌবা, লাইওং মথোঙ হুক্তবা লায়না অমা

– বি সী খুমন –

হেক্তা হায়জিনবা নত্তে, লায়না অনৌবা অমা মণিপুরদা শুরু-শুরু নৈরগা লৈরে। মীচম মীয়ামদা নাগনবা লায়নাদি নত্তে। ভি ভি আই পিশিংগী ওইনদি লৌনগনবা লায়নানিসু হায়নৈ। করি লায়না ওইরিগবা! লায়নাসি ইহান হান্না সী এমদা নারম্বদগী গভর্ণরদা শন্দোকখিবনি হায়রি। সী এমদা নাবদুদি লায়েংফম খঙদ্রিঙৈ সী এম ওইবা তোকপদগী ফখ্রেসু হায়। গভর্ণরদি কন্না নারি হায়। করম্বা মতমদা ফনি/ফরোই তম্বা ঙমদ্রি। মাইবী লাইফাওদদি পি আর লৌথোকখ্রবা নৎত্রগা মণিপুরগী গভর্ণর ওইবা তোক্লদি শাফগনি হায়। হৌজিকমক্কীদি পি আর লৌথোকহন্নীংদবরা নৎত্রগা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকহন্নীংদবরা নৎত্রগা গভর্ণর অদুম ওইনীংলিব্রা হায়বগী অকুপ্পা পাউদি লৈত্রি। গভর্ণর অনৌবা লাইওং খঙদবা লায়না অমনা নারি। গভর্ণরগী খঙনা-চান্নবা অমদি মখা থাবা অঙম অথৌশিং কুপ্পা ৱা তান্নরি। লায়নাগী লাইওং খঙনবা হোৎনরি। কোভিদ-১৯গী লায়নাদুসু মথোং মরম খঙখিদে, হন্দক্কী লায়নাসিনা অমুক্কা হেন্না মঙাও থীখ্রে। মকোক্তা পাল্লিবা ব্রেনদু অতোপ্পা মাবু ঙম্বা মীওইশিংনা শান্ননীংবা মওংদা শান্নে কায়নসু হায়নৈ। করি লাইওংবু ওইরিগবা! দেল্লী তোয়না চৎমনবদগী মফম খঙদা লোইচেন্নরকপা লায়না ওইরিদরা? দেল্লী লাই ওক্লবনিসু পঙহায় মহায়নৈ, খঙদ্রে।

মতম অমগী সী এম বিরেন, মতিক মথৌনা লৈতবা সী এমমক্তি নত্তে। মণিপুরগীদমক্তা কথোক্কনি হায়দুনা সহিদ মিনার মখোঙদা শীঙজং পায়দুনা ৱাশকখিবা মতিং লৈবা মীনি। চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা মণিপুরগীদমক ৱাজখিবা লুচিংবনি। খুঙ্গংগী ৱানরবা পূন্সি মরেল খঙবনা ‘খুঙ্গং চৎলু’ অমদি চীংগী পূন্সি মরেল ফগৎনবা ‘চীংদা চৎলু’ লাউরম্বা সী এমনি। লুচিংবা অমা ওইনা মরৌ লৈবা কুকিশিংগী অরোনবা লৌতুনবগী পোলিসি মাঙজৌননা খঙখি হায়বগী পাউসু থেংনখ্রে। অদুবু লাইবক্লুরা, মাগী মতম লোইরকপনরা লৈবাক্কী য়াইফনবা তৌগে খনবা থবক পাঙথোকপা হৌরকপদা সেন্টর লৈঙাক্কী দর্টি পোলিটিক্সকী লাংদা থুখিবা মাল্লি হায়নৈ। চুমসু চুমগনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থাক ৱাংখ্রবা কন্সপিরেসি থিওরি- সী এমগী এদভাইজরশিংনা তাকপীখিদবগী মমি তাখি। কুকিশিংগী চরক চহিংনবশিং তঙাইফদনা থিংহৌদবা য়াদে খল্লুবা বিরেনগী ৱাখলগা, কুকিশিং শীজিন্নরগা লালহৌবগী ঈরাং নমথগে খল্লিবা সেন্টর লৈঙাক্কী ৱাখলগা চান্নরক্তবনা তঙাইফদনা সী এম বিরেনদা প্রেসর মথং-মথং পীরক্লমগনি হায়নৈ। সী এম অমা ওইনা বিরেন লান্দে, তৌফম থোকপা মথৌ তৌখি। অদুবু মীনা খনবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা হায়দুনি, দষা ফৎত্রদি ঙমু লৈরৌসু ঈশিংদা চেনখি হায়দুনি।

খঙদেদা! মণিপুরসিবু মহৌশাগী মণিপুরদু ওইরকখিদ্রনে? লানগী চৈথেং ফংলিবা ইরৈচাশিংগী অৱা-অনা য়েংহৈদ্রে। মরাল করিনো খঙজদনা অসুক কনবা চৈথেং পীরিবসি লাই মহাকসু হাকমনখ্রে। লাই ওইবশিংনা অমুক হায়রি, খূৎশেমগী ওইবা চৈথেংনি, তৌগে য়াওনা তৌরিনিসু পঙহায়দা হায়নৈ। মথোং মরম খঙদবা পূন্সি মরেল অমদা লমদমসিগী মীয়াম মানা-মানা থোকপা পঙলেন্দা লেন্নরকপসি চহী অহুম ফারক্কদৌরে। লান তৌনরি শুকখন খন্দবা মীয়ামসু লৈরি। লান তৌখি কাউবশিংসু লৈরি। তৌনীংখৈ তৌজৌ ঐখোয় য়াওরোই হায়বসু লৈ ওন্থোকপা মীয়াম হায়দুনি, করিবুদি হায়রুনি? খঙদ-উদা লৈতে, ঙাঙবদা ঈশিং লীত্তে। নোংম-নোংমগী লমদমসিনা লৈখা তাখ্রিসি মখোয়দি য়াওদবা শারি। দষা ফত্তবা শামুনা তুথরকপদা দষা ফবা ‘ককচেং খুল’ উফুল শানা তুমখি হায়নবসু লৈবনি। লৈবাক্কী লুরবা তানফমসিদা লৈথোক-লৈশিন তৌদুনা অশিঙবা শাবশিংগীসু মফম, মতম মফম খঙদনা অপাইবা ফত্ত চৈথেং লৈবনি হায়বা নীংশিংলগা হিংবীয়ু। পূন্সি অমগী মমল - শেল/লুপানা মন্তিক্লবা য়াদে খঙলকপা মীকুপ্তা খাঙবদা ৱাবা চৈথেং লোইচেন্নখিনি খঙনসি।

ঙসিগী মীতৈ মীয়ামদা চেল্লিবা পুকচেলসিবু মীঙোন্দগী ৱায়রগা পানশিনবা ঙাক্তরা? মহৌশাগী মীতৈগী ইচম চমজবা পুকচেলশিংদুনা মফম কৈদা চীকমাঙনখ্রবগে? তরাগী চৈশুনা লেঙথোং ফাই, অপূনবনা পাঙ্গলনি কায়না হৈন-শিংনা পাউতাক ওই, পাউরৌ ওই মীতৈবু মীথোই মীহেন ওইহল্লম্বা ইপা-ইপুশিংগী ঈ অমত্তা নৎত্রবজাৎলা? চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈ, এঙলো-মণিপুর ৱারগী মৈত্রাংলক্তা থৱায়দং পুদুনা মফম খঙদা য়ূম থাদোক্তুনা মায়কৈ ফাংনা লৈনখ্রবা ইরৈচাশিংনা ঙসিদি ইপা-ইপুগী খোঙ্গুল লীনরক্লিঙৈসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না ৱাইখু শাজৎ চৎতুনা লুচিংবা লৈতবা, য়েক্লবা-লম্বানবা ঙমদবগুম অপূনবগী শক্তম ফাওবা শাগৎকনি খন্নদ্রি। খন্নরম্বশিং কয়া অঙাওশিংদা চলহনখিবগী পাউসু তারি।

মাঙ থানা লমজিংগদবশিং চীংথুবা হৈবা ফূরুপনি হায়রগা লেমজনফম ওইরি। মরু ওইনা ফত্তবশিংগী মীচংদা অঙম অথৌনা ফৈগাক ফৈখিবনা লমদমসিগী মীয়াম তুফক তুফাই চল্লিবনি। ‘‘য়াইরিপোক থম্বালনু’’ গী পোরনামশিং, মোইরাং কংলৈরোলগী ‘‘খম্বা-থোইবী’’ গী অঙোম নোংবানগুম্না ঙসিগী কুকিশিংনা ইন্দিয়াগী নিংথৌগী মরুমদা ফত্তবা লৌ খম থেংনা থাংলিবসি মীতৈ ফূরুপতনি। ইন্দিয়াদা শাওগদ্রা নৎত্রগা কুকি তুম্না হাৎলগা পেনগদ্রা খনফম শুকথোক থোক্তে। লাইওং খঙনা লায়নাদুগী হীদাক থাদবননি। ঙসিগী মীতৈশিংগী পাইরক্কী লৌশিংসু মহৌশাগী মীতৈগী থোপ্তা পল্লম্বদু মচেৎ অমত্তসু য়াওদবগুম্লে। অনম অহা চুখ্রবা পূন্সি মরেলদা লীশাং শিংনা হিংলকখিবনা অচুম অরান লেপথোকপদসু চরক-চহিংনদুনা লৈরি।

তাল্লকসিদা লান লোইবা-লোইদবা, তংদু লৈতারে, মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লে হায়দুনা নুমিৎ তরানি চূপ্পা ‘মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল’ পাঙথোকপগী ওন্থোক-ওন্থোকপা পাউয়ামসু লৈরি। অঙম তান্নরি। লৈঙাকসু হাকমল্লি, মীয়ামসু পেন্থোকপা হৈমন্দে। কৈদৌরুনি, লাউ খোংদুনা দিমান্দ তৌরে মতিক, মৱা লৌদে খল্লবা লৈঙাকপশিংনি, লাউরুরগা তাবীগদবসু লৈতে, দিমান্দ তৌরুবগী কান্নগদবসু নত্তে। য়েস হায়বা ঙমদবা লুচিংবশিংনি। মশা-মশাগী থোপ খূকউদা পানখ্রে, মপুনা ইনশিল্লিমখৈ খোংবা হূইজাও ওনখ্রে। হান্না সী এমদা নারম্বা লাইওং খঙদবা লায়নাদুমক পি আরগী লুচিংবদা নাখ্রে। খুদিংমক সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী দ্রামাগী আর্টিষ্ট ওইখ্রে। মণিপুরনা মৈথক্তা ঙৌরি। করম্বা ষ্টেট অমদা অসুম্না দেল্লী লৈঙাক্লা করেম-কথাইননা ষ্টেটকী লৈঙাকশিং নৎত্রগা চমজরবা মীয়ামদা ওৎলমগনি? থিরুখিদ্রা? ওৎলমদৌবা মান্দে; লমহুইগুম তাৎ হৈবা দেল্লী লৈঙাকপশিংনা লমদমসিগী অপঙবা মতৌ উৎলিবা লৈঙাকপশিং নুংশিমন্দদুনা লালহৌবগী মিংদা কুকিশিং খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা খম থেংবা প্রোক্সি ৱার চখ্থরিবনি। মখা তানা চখ্খিগে মনীংনি। লান লোইশিন্দুনা তংদু লৈতাহল্লগে খুদক্তা ঙম্বনি। মরম অমা লৈবনা মণিপুরী মীয়ামদা এৱ্যেয়ের্নেস পীরম্বসু কনানা খঙবা? মায়কৈ খুদিংমক্তা সূম চাখ্রবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা পেনমলক্তদুনা খরা ৱাহনখিগে খল্লম্বসু য়ারি। হায়রিমখৈ ইপক্তা পকচরবা মণিপুরগী লো মেকরশিং দেল্লী লৈঙাক্লা থাজবা অমত্তা লৈরমগদৌবা মান্দে।

হায় শাবনি, ৱাথীনি-ৱারেম্নি খল্লসু কায়দে। মীয়াম্বু খম থেংনা ৱাহল্লে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা পঙতাইদা তাইনরগা খুদোংচাবা লৌবা মীরৈহৎ য়াম্না লৈরি খঙনা মণিপুর কলহৌসি, মীতৈ কলহৌসি। খুরক্কী ঈনা লাই শাবশিং মশক খঙসি। সী এম ওইগেরা, গভর্ণর ওইগেরা, চীফ সেক্রেটরিসু ওইসনু, মোদি, অমিট শাহগী য়াথং ইনবতনা মখোয়গী তৌদ য়াদ্রবা মথৌনি। তশেংনা মতিং থোক্লা লৈঙাকপা ঙমদবা ঙাক্তনি। উকংগী লাইদা অথেনপোৎ কত্তুনা অপাম্বা নিজবদা কৈদৌঙৈ পীরক্তবনি। উকংগী আল্লহ, উকংগী যিশু নৎত্রগা উকংনা শাবা লাইগী মুর্ত্তিদা হায়জ-নোঞ্জগদবগী শরুক ৱারসু ৱানা মীতৈগী মতম ঙাইনা-ঙাইনা খা চিক্তুনা ঐখোয় অপূনবগী পাঙ্গল অমুক্তা শাগৎখিসি। চপ চানা তৌগদবা ফিরেপ লৌননবা পুনশিন্নখিসি। ভাইওলেন্সকী ৱাখল নাথৈরগা অচুম্বগীদমক, লৈবাক্কীদমক থৱায় কথোক্নবা শেম শাখিসি। লোয়ননা লাইওং খঙদবা লায়নাসিনা মীয়াম্বু মীৎ পাংহল্লসি। দেল্লী লৈঙাক্তনা মণিপুরগী লাইবক লেপকদবা নত্তে। ●

# কাং মশান্নদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং - (২)

– থৌদাম তোম্বা মৈতৈ–

অতোপ্পা মফমদা শান্নবা চৎপদা খুদম ওইনা জিরিবাম, অসাম, বাংলাদেশ, ম্যান্মার অমদি অতৈ-অতৈদা মসিগী ত্রান্সপোর্টেশন চার্জ, লৈফম-চাফম মথৌ তাবা খুদিংমক লৈঙাক্লা পীবিবা, মেজর টুর্নামেন্ট খরা কেলেন্দর য়র ওইনা পাঙথোকপীবা, খুদম ওইনা গভর্ণর ট্রোফি, চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি অসিনচিংবা, মসিদা অরাপ্পা অতোপ্পা লৈবাকশিং শরুক য়াহন্নবা থৌরাংবিবা, অসিগুম্বা মেজর টুর্নামেন্ট অমসুং অরাপ্পা মফমদা শান্নবশিংগীদি শান্নরোয়শিংদা মেটচ ফী পীবিয়ু। হৌজিক্কী মতমদা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা মেটচ ফী শাবিবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। খুদোংচাবা খরসি শান্নরোয়শিংগা লোয়নদুনা চৎমিন্নরবদি কাংগী শান্নরোয় মরাং কায়না লৈহৌবা ঙমগনি।

অমরোমদা, মণিপুর কাং এসোসিএশননসু শান্নরোয় পুথোক্লবগী থৌশিল থুনা পায়খৎহন্নীংই। ইম্ফালগী কাংখূৎশিংদা শান্নরোয় পুথোকপদি খুদোংচাররোই খল্লি। মরমদি কম্পিটিটিভ এজ ওইরকপা, লাইরিক্তা অহেনবা মীৎয়েং থম্নরকপা, মরু ওইনা অঙাং অমা অনীদগী হেন্না পোক্লরক্তবা, মসিদা করম্বা মমা-মপানা অঙাংদো কাং শান্নরুচো হায়দুনা থাদোরক্কদৌরিবা, কাংদগী খুদোংচাবদি ফংদবা, মসিদা অইবা ইশামক্লা খঞ্জদুনা লাকপা পাম্বৈ অমা তৌনবসু থৌরাংলি। মসি এম কে এনসু পাঙথোকপীয়ু। শান্নরোয়শিং পুথোকসি, রুরেল এরিয়াদা মীৎয়েং থমদবা য়াররোই, রুরেল হায়রগা লৈবাক মীয়াম্নসু লান্না খনবীগনু। মফম কয়াদা মীওই কয়ামা মশা-মশাগী ফৌগৈ-চেঙগৈ ৱাৎচদবা, শেল থুমগী ফীভম ফবা, শিন্থা-শিনলম খরা কোম্না লৈজবা মীওই কয়ামা লৈতবা নত্তে। মখোয় অদুম্মক শান্নজসনু। কাংখূৎ অমগী শান্নরোয় তরেৎ খকসি খুল লৈকায় অমদগীদি ইরায় লায়না থোকপীরক্কনি খল্লি। কাংশঙ (শান্নফম) সু হৌজিক্কী মতমদদি লাইবক ফবসু ওই, খুল লৈকায় অয়াম্বা কম্যুনিটি হোল লোইনা লৈনরে। মফমদুগী ওথোরিটি ওইবা মীওইশিংগা উনজরগা ইপা ইপুগী মশান্না কাং য়োকখৎপদা শরুক য়ামিন্নসি হায়জবা, ঐখোয়না চৎলগা কাংশঙ শেমজিনবা, শান্নরোয়শিংগী কাং ঐখোয়না ফ্রীদা পীবা, মরক মরক্তা মখোয়বু তাকপীবা চৎপীবা, মখোয়না হৈজরক্লবা মতমদা মখা তাবা পূম্নমক মখোয়না ফনবা অদুমক হোৎনজরক্কনি। লোয়ননা ঐখোয়নসু মখা তানা ফনবা থৌদাং লৌমিন্নবা। অসুম্না চহীঅমদা কাংশঙ অসি অহুমদং এম কে এনসু হোৎনবীয়ু। লোয়ননা নহা শান্নরোয় পুথোকপা ঙমদবা কাংখূৎশিংনসু অসুম্না হোৎনবীরগা অদোম অদোমগী কাংখূৎ হিংহনবদা মতেং ওইবীয়ু অমসুং মফমদুগীসু কাংখূৎ অমা লীংখৎপীয়ু। অসুম্না ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি। শান্নরোয় পুথোক্লবনি হায়দুনসু খুদম ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মীৎয়েং থম্বা খুদোং চারক্লোই। মরমদি য়ুনিভর্সিটিদা মমা-মপানা থারক্লিবসি অশা অমদা থারকখিবা ঙাক্তনি। মখোয় মখোয়গী লাইরিক্কা মরীলৈনবদা খরা শান্নজবসু ওইবা য়াই। অতম্না কাং শান্নরোয় অমগুম উবদি চান্নরোই, কাং শান্নরোয় হায়বদি মফম মতম নাইদনা টুর্নামেন্ট অমা হেক্তা লাকপদা শরুক হেক্তা য়াবা ঙম্বা, চহী অমদা টুর্নামেন্ট তরা লাক্লবসু শরুক য়াবা ঙম্বা, অসিগুম্বা শান্নরোয়শিংসিনা লেপ্পা লৈতনা শান্নবীরগা মশান্না অসি হিংলি, লৈরি হায়বদু মতম পূম্নমক্তা শক্তাকপীবদুনি মথৌ তারিবদি। মহৈরোয়শিংনা হৈজিনবীবা শান্নবীবদি অসুক্কী মতিক থাগৎচনীংঙাইনি।

এম কে এগী থবক থৌরম কয়াদসু কাংখূৎশিংনা মতাং মতম চানা তেংবাঙবীবসু মরু ওই। মসিনা তুংদা কাংগী লাইবক এম কে এগী থৌদাং মখাদা মায় পাকপা ওইসনু। কাংখূৎশিংগী তৌফম থোকপা চহীগী এফিলিএশন তৌবীবা, কাংখূৎশিংদগী থাফম থোকপা মেম্বর মশীং থাবীয়ু। এম কে এগী ম্যেনপৱার মতিক চানা লৈহনবীদুনা মফম কয়াদা পাঙথোরকপা টুর্নামেন্টশিংদা চৎপীদুনা ওবজার্ভেশন তৌবীয়ু। ময়াম্না য়ানরবা কাঙলোনশিং ঙাক্লা শান্নরিব্রা য়েংশিনবীয়ু। কাংশঙ কাংশঙগী মানা-মানা শেম্নিংবা কাঙলোনশিং তৌবিব্রা য়েংবীয়ু। অম্পয়রগী দিসিজনসু অমগা অমাগ মান্নরিব্রা য়েংশিনবীবা মথৌ তাই। হায়জরিবা মতৌসি য়াওরকপা ওইরকপগী মওংসু উজে। মসিনা শান্নরোয় কয়াগী মফমদা পূক্নিং ৱাখল হনখ্রবদি হেন্না ময়েং তাখিবসু য়াই। মাগী মাগী শান্নরোয়শিংনা মমুৎ তানা খঙজনবা কাংখূৎশিংদা চৎন-কাঙলোনগী লাইরিক ফংহনবীয়ু। ● (মখা চখ্থজরকখিগনি)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৬কী ৱাহং

১) “নিংঙমদ মৈচাক” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) “খোঙচৎকী চিঠি” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) “অরোনবা খুজীন থৌরাং” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।
৪) “থৱায়বু পামুবা লৈতনা
কথোকপদা ঙাওজরবা পূন্সিনা
লাম্হেংনরি মীরোৎ ওইনা
পূন্সি হিংলি অসুম্না”
শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপান্দগী অইবা অমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসিগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।
৫) “শকখঙবীদ্রবা পূন্সি” হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।